**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) স্কুলশিং মতম কক্তনা ছুতি থাদোকখিবা অদু হন্দোক্তুনা হয়েংদগী মহৈরোইশিং স্কুল কাবা য়াহল্লু হায়না মহৈরোই লুপ ৬ না তকশিল্লক্লি।

২) ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খারম পল্লেলগী নুঙ দলাল মপাদা নুঙ কিন্থরকপদগী লম্বী ফাওনদনা লৈরম্বা অদু ঙসিদগী লম্বী ফাওনবা হৌরে।

৩) তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থম্লম্বা অথিংবা মখা তানা নুমিৎ নিনি শাংদোকখ্রে।

৪) লৈমাখোংদা মাংখিবা মীওই অদু ফংননবা থিবগী থবক লেপ্তুনা চথরি, মীয়ামা তোকঙা শন্দোকপীগনু হায়না মণিপুর পুলিসনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) মণিপুরগী ৱাথোক য়াওনা শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদা সংসদকী সভা অনিমক্তা চরাংনবা থোকপদগী ঙসি নোংমগী ওইনা সভাগী মীফম য়ৈথোকখ্রে।

------

ষ্টুদেন্ট (এল)ঃ রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকার অমদি লন্নাহ স্কুলশিং মতম কক্তনা ছুতি থাদোক্লে হায়না লাউথোকখিবা অদু হন্দোক্তুনা হয়েংদগী মহৈরোইশিং স্কুল কাবা য়াহল্লু হায়না তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপ ৬ কী মাইকৈদগী

সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি। ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ ৬ অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ওইনাম মিকারসননা হায়- রাজ্য অসিদা করিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অমা থোকপা মতমদা মহৈ তম্ফম শঙশিং ছুতি থাদোকপগী থৌওং অসি তৌহন্নিংদে। হৌখিবা নবেম্বর তাং ১৭ তগী হৌদুনা থেংখাং নাইনা ছুতি থারক্লবা মতুংদা ঙরাংদগী মতম কক্তনা ছুতি থাদোকখিবা অসি লাইবক থিবনি। লানগী মতমদা ফাওবা উপাই অমা তৌদুনা মহৈ মশিং তমরিবনি। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মহৈরোইশিংদি মতম কুইনা মহৈ তম্বা ফংদনা লাক্লবা মতুংদা হৌজিকসু অমুক করম্বা মতমদা মহৈ তম্বা ফংলক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদনা থম্বা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মরম অদুনা তুংগী য়ুম্বিরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংবু হয়েংদগী মহৌশাগুম মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না মহৈরোই লুপশিং অসিনা তকশিল্লি।

লম্বী (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খারম পল্লেল নুঙ দলালদা নুঙ কিন্থরকপদগী লম্বী ফাওনদনা লৈরম্বা অদু লম্বী ফাওনবা হৌরে। পন্দুনা লৈরম্বা ত্রক কয়া মফমদু ফাওদুনা চৎনরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৭ মখায় অদুৱাইদা পন্দুনা লৈরম্বা পোৎ-চৈ থন্না য়াওবা গাড়ি ১৫০ রোম হেন্না নুঙদলান মপা লান্থোক্তুনা ইম্ফলোমদা থোকখ্রে। মসি থারগা ইম্ফালদা পোৎ চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ২৭৫ য়ৌরক্লে। অহাংবা মাল গাড়ি ১৭২ সু নোনে লান্থোক্তুনা জিরিবামলোমদা চৎখ্রে।

হৌজিক জিরিবামলোমদগী ইম্ফাল্লোমদা থোরকখিবা বরাক মপান কম্বীরোলদা পল্লম্বা গাড়ি ৭০ অমসুং নুঙবাদা পল্লম্বা গাড়ি ৫০ অদুসু থোরকপা হৌরে। নোনেদা এল.পি.জি টেঙ্কর য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৭০ হেন্না থুংলরে।

অদুমওইনমক, লম্বী ফাওনরবসু পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিংদি চৎহনখিরোই হায়রি। অদুবু, গাড়ি অপিকপশিংদি বিষ্ণুপুর-তুপুল লম্বীদা লম্বী থৈরগা থোকপা য়াহল্লি।

লম্বী শেল্লিবা গনপতি কম্পনিনা নুমিদাংগী মতমদা নুঙ নিংখায়খিবা নুঙ দলান এরিয়া ফাওদুনা গাড়ি অমত্তা চৎপা য়াখিরোই হায়রি। মসি নুমিদাংগী মতমদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবনি।

বিজেপি (এল)ঃ হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিংগাংলুং গাংমৈনা হায়রি- লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকা শান্তি ওইনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা হিংমিন্নবা তঙাইফদে।

বি.জে.পি নুঙবা মন্দল অমসুং বুথ লেবেল কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি তুপুল কম্যুনিতি হোলদা বি.জে.পিদা য়াওরকপা মীওইশিং ওকপগী থৌরম অমদা শ্রী দিংগাংলুং গাংমৈনা হায়- কাংলুপ নাইবা অমসুং মচেৎ মচেৎ থুগাইবগী রাজনীতিদা ঐখোয়না কৈদৌনুংদসু পুকিং থৌগৎলোইদবনি। বি.জে.পি অসি ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নাইদবা দল অমনি হায়না শিংথারদুনা শ্রী গাংমৈনা হায়- দল অসিনা লুচিংবা সরকারগী মখাদা নোনে জিলাদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া খোঙজেল য়াংনা পায়খৎলক্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা অতোপ্পা দলশিংদগী তোক্তুনা বি.জে.পিদা য়াওরকপা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

ইন্টরনেট (এল) ঃ রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা মখা তানা শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি থাগী অসিগী ২৯ কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি।

পুলিস (এল)ঃ লৈমাখোংগী আর্মি কান্টিন ময়াদা অশিবা হকচাং অমা তাদুনা লৈরে হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা, যুম্ফম য়াওদবা পাউনি হায়না রাজ্য পুলিসনা ফোংদোরক্লি। হায়রিবা মফম অদুদা পুলিস অমসুং আর্মিগী ওথোরিতিশিংনা চংশিনদুনা থিজিল্লুবদা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোকপগী খুদম ফংদে।

মরক অসিদা, মাংখিবা মীওই অদু ফংননবা মখা তানা থিবগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা মাংখিবা মীওই অদু থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা তেক্তা কায়দনা শিন্নগদবনি হায়না সরকারদা মতম থাখ্রে। মসিগীসু মথক্তা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা জে.এ.সিনা রিট পিতিসন অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি। পিতিসন অদু হাই কোর্টনা খন্নরবা তুংদা এদমিট তৌখ্রে। লোয়ননা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারদা ইসু নোতিশ তৌখ্রে হায়রি।

হিরোইন (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা ঙরাং পল্লেল-চান্দেল লম্বীদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মরুতি অলতো কার অমদগী শাপোন কেপ ১১ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হিরোইন পাউদরনি হায়না চিংনবা গ্রাম ১৩৫ ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা গাড়ি অদুগী দ্রাইভরসু ফাদুনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা এক্সন লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

কোকোমি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংগা মরী লৈননা কোকোমিনা সরকারদা তানখিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোক্তে হায়বগী মায়োক্তা ঙসিদগী লুপ অসিগী থৌমীশিংনা সরকারগী লোইশঙশিং শো লোনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে। ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা কোকোমিগী থৌমীশিংনা ওল্ড সেক্রেটরিয়েট অমদি নিউ সেক্রেটরিয়েটকী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিং য়াওনা ট্রান্সপোর্ট বিভাগ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, ফোরেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এস.দি.ও পোরোমপাৎকী ওফিস, দি.সি ওফিস অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ ওফিস শো লোনশিনখি।

তোবেকো(এল)ঃ   নেসনেল তোবেক্কো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম য়ুনিত নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা তোঙান তোঙানবা এন.জি.ওশিংগা খুৎশমদুনা ঙসি খৌপুমদা লৈবা দ্রিমি একাদমি ইন্তরনেসনেলদা হিনাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী অমাংবশিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি। ঙরাংসু মসিগা মান্নবা থৌরম অমা খৌপুমগী তাজে পাব্লিক হাই স্কুলদা পাঙথোকখি।

জিরি (এল)ঃ    জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার অমসুং এস.পি. রোবিনসন্না লুচিংবা জিলা থাক্কী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি জিলা অসিগী বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা নিংথম থাগী ফিরোলশিং অমদি তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা পুলিস পার্সোনেল খরসু বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা থমখ্রে। রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরম্বা অনাবা অমদি অহল ওইরবা মীওই ১০ রিলিফ কেম্প অদুদগী জিরিবাম হেদক্বাটরসতা পুথোরকখ্রে হায়রি।

ডে (এল)ঃ   নিউ হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএমিলিতিজ, চীংমৈ অৱাং লৈকাইনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। মদুদা হুইল চেয়ার অমদি কম্বলনচিংবা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী জোইন্ট দিরেক্তর নিতা অরাম্বম য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

শিজ (এল)ঃ   নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ইন্তিগ্রেতেদ দিজিজ সার্ভিলেন্স প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ একাদমি ওফ হেলথ সাইন্সেসতা এলিসা হেন্দস ওন ট্রেনিং হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চথ্নগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম

ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা হকশেল বিভাগকী দিরেক্তর ডাঃ চাম্বো গোলমৈ, শিজ একাদমি ওফ হেলথ সাইন্সেসকী দিরেক্তর ডাঃ এম. অমুবা, শিজ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট মেদিকেল সার্ভিসকী দিরেক্তর ডাঃ জ্গিন্দ্রো শোরোকখায়বম অমদি হকশেল বিভাগকী ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ এস. গোপাল শরুক য়াখি।

থোবাল (এল)ঃ লুপ খরগী পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দনা মরম ওইরগা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ঙসিদগী মতম কক্তনা থোঙ লোল্লে হায়রি। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী কেয়ার টেক্কা চেয়ারপার্সন অমসুং কেয়ার টেক্কর কাউন্সিল্লরশিংনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে। মমিং লৈরবা বিজিনেস গ্রুপ অমগী মথক্তা পুখৎলকপা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম, মণিপুরগী ৱাথোক অমসুং উত্তর প্রদেশকী সম্বলগী হিংশাগী মতাংদা বিরোধিনা চরাংনবদগী সভা অনিমক্কী মীফম য়ৈথোকখিবনি।

রাজ্য সভাদা অহানবদা অয়ুক পুং ১১ মখায় ফাওবা মীফম য়ৈথোক্লুরগা অমুক হৌবদা কংগ্রেস, লেফট, দি.এম.কে, টি.এম.সি, সমাজৱাদি পার্তি, আম আদমি পার্তি অমসুং অতৈ দলশিংনা ৱাফমশিং অদু অমুক হন্না পুখৎলকপদগী মখা তানা চরাংনবা থোকখি। চেয়ারমেন্না হঞ্জিন হঞ্জিন হায়বদা চরাংনবা লেপ্তুবদগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখিবনি।

লোক সভাদা অহানবা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না মীফম হৌবদা কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্তি, দি.এম.কে, টি.এম.সি অমসুং অতৈ দলশিংগী মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা সভা ময়াইদা চংশিল্লকখি। প্রিসাইদিং ওফিসারনা লাংদনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়বদা য়াদবদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

অঙাং ঃ কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অন্নপুরনা দেবীনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা অঙাংশিংবু চহি নৌনা লুহোংবা থিংনবা জাতিগী ওইবা কেম্পেইন 'বাল বিভাহ মুক্তা ভারত' হৌদোকখ্রে। থৌরম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি, ভারতপু অঙাং লুহোংবা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসিনি।

মন্ত্রিনা হায়- কেম্পেন অসি চথনবগীদমক জিলা ১৩০ খন্দোক্লুনা থল্লে। মহাকা হায়- অঙাং লুহোংবা হায়বসি ক্রিমিনেল ওফেন্স অমদি নত্তে, অদুমওইনমক, মীওইবগী হক খোঙগাউনবা অমনি। কেম্পেন অসি নুমিৎ খরনি খক্তা চথরগা লোইশিনগদবা নত্তে। লৈবাক অসিদগী অঙাং লুহোংবগী চৎনবী মপুং ফানা মুখুৎত্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা চংশিনগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা চাইল্ড মেরিএজ ফ্রি ভারত পোরটেলসু হাংদোকখি।

মুরমু ঃ রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমু, নুমিৎ মরিনিগী তামিল নাদু খোঙচৎতা ঙসি কোইম্বাতোরদা থুংখ্রে। রাস্ত্রপতিনা হয়েং উত্তিগী ৱেলিংটনদা দিফেন্স সার্ভির্সেস ষ্টাফ কলেজকী ফেকলতি অমসুং ষ্টুদেন্টস ওফিসারশিংদা ৱা ঙাংগনি। নোং চিংগী ফীভম ফত্তবনা রাস্ত্রপতি গারিনা উত্তি ফাওবা চৎকনি। মহাকা নিলগিরিজদা হংচিৎ ত্রাইবেলশিংগসু ৱারী শান্নগনি। ইরাই নুমিৎতা রাস্ত্রপতিনা তিরুবারুরদা সেন্ত্রেল য়ুনিভরসিতি ওফ তামিলনাদুগী কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

এনএসজি ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না জম্মু সিতিদা নেসনেল সেক্যুরিতি গার্দস (এন.এস.জি)গী পার্মেনেন্ট হব অমা হাংদোকখ্রে। মসিনা মফম অদুদা অচৌবা তেরোরিষ্টশিংগী এটেক চথরকপা মতমদা খুৎলৈ থুনা মায়োকবা ঙম বনি।

ঐখোয়গী জম্মু পাউমীনা হায়- হৌখিবা মতম খরা অসিদা জম্মুদা তেরোরিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা এটেক কয়া চথরকখিবা অদুগী য়েংলগা হেন্না কনবা থবক লৌখৎপা ঙমবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। অৱাংবা

বিল্ডিংশিং, সেক্যুরিতি রেষ্টোরেসনশিং অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথ্খরকপা থিংননবা জম্মু কাশ্মীর পুলিসনা শেমখিবা থৌরাং অমগী মনুং চন্না এন.এস.জি কম্মান্দোশিং থন্বা হৌরকখিবনি।

লোক সভা ঃ কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন রাজ্য মন্ত্রি এন.জে. বমভানিয়ানা ঙসি লোক সভাদা হায়খ্রে- প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান য়োজনা (পি.এম.জি.কে.ৱাই)না হৌজিক ফাওবদা মী কোতি ৮০ রোম কোনশিল্লে। লোক সভাদা মন্ত্রিনা হায়- মথং চহি মঙাগী ওইনদি সর্ভে চথ্খবা লৈত্রি। অমরোমদা, ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা ঙসি লোক সভাদা হায়- সোসিয়েল মিদিয়াগী অহেনবা থৌওংশিং থিংনবা হৌজিক লৈরিবা আইনশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

বেদমিন্টনঃ লক্ষনৌদা চথ্খরিবা সয়িদ মোদি ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী রাউন্দ ওফ থার্তি টুগী মেটচ অমদা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী সরন জমশ্রিবু পোইন্ট ১৪-২১, ২১-১৯, ২১-১০ মায়থিবা পীখ্রে। মথংগী মেটচতা মৈরাবা লুৱাংনা আইয়রলেন্দগী নাথ নুৱেনগা শান্নরগনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং মহাক্কী মপাং সুরতি মিশ্রানা বৈষ্ণবী অমসুং এলিসা খানগী মপাংবু পোইন্ট ২১-১৪, ২১-১২ তা মায়থিবা পীখি।

হেন্দবোল ঃ ৬৬ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ২০২৪ গী হেন্দবোল মশান্নদা মণিপুরগী অন্দর ফোরতিন বোইজ টিম ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ৪৫ দা হরিয়ানাগা শান্নরগনি।মণিপুরগী অন্দর ফোরতিন গার্লস টিম রাজস্থানগী মখুৎতা পাঞ্জল ১০-৯ দা মায়থিখ্রে। স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং

মখাদা ছত্তিসগরগী মহা সমনদা চথুরিবা গেমস অসিগী মমাংগী মেটচ অনিদা মণিপুরগা সি.আই.এস.সি.আই নিউ দিল্লিগা পাঞ্জল ১৩-১৩ দা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা হিমাচল প্রদেশপু পাঞ্জল ১৮-৮ দা মায়থিবা পীরমখিবনি।

আরচরি ঃ সেনিয়র নেসনেল আরচরি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা মণিপুরগী আরচরশিংগী মীং ঙসি লাউথোকখ্রে। ঝারখন্দগী জামসেদপুরদা মথং থাগী ১৫ দগী ২০ ফাওবা চথুগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোইশিং খন্নবা হৌখিবা নবেম্বর ২৪ দগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা ত্রাইয়েল পাঙথোকখি। ত্রাইয়েল অদুদা ইন্দিয়ান রাউন্দ কম্পাউন্দ অমসুং রিকর্ভতা শরুক য়ানবা ইভেন্ট খুদিংমক্তা নুপী অমদি নুপা আরচর মরি মরি খনখি।

রেষ্টলর ঃ শকাইরবা রেষ্টলর বজরং প্নিয়া, নেসনেল এন্তি দোপ্পিং এজেন্সিনা চহি মরি অথিংবা থমখ্রে। চহি অসিগী মার্চ ১০ দা নেসনেল টিম সেলেক্সনগী ত্রাইয়েলদা দোপ্পিং টেষ্ট তৌনবা সেম্পল পীয়ু য়াদবদগী অথিংবা অদু থমখিবনি। চহি অসিগী এপ্রিলদা মহাকপু মতম খরা অথিংবা থমখি, তুংদা য়ুনাইতেদ ৱার্ল্ড রেষ্টলিংনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখি।

------

--হৌজিক অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) স্কুলশিং মতম কক্তনা ছুতি থাদোকখিবা অদু হন্দোক্তুনা হয়েংদগী মহৈরোইশিং স্কুল কাবা য়াহল্লু হায়না মহৈরোই লুপ ৬ না তকশিল্লক্লি।

২) ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খারম পল্লেলগী নুঙ দলাল মপাদা নুঙ কিন্থরকপদগী লম্বী ফাওনদনা লৈরম্বা অদু ঙসিদগী লম্বী ফাওনবা হৌরে।

৩) তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থম্লম্বা অথিংবা মখা তানা ন্মিৎ নিনি শাংদোকখ্রে।

৪) লৈমাখোংদা মাংখিবা মীওই অদু ফংননবা থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি, মীয়ামা তোকঙা শন্দোকপীগনু হায়না মণিপুর পুলিসনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) মণিপুরগী ৰাথোক য়াওনা শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদা সংসদকী সভা অনিমক্তা চরাংনবা থোকপদগী ঙসি নোংমগী ওইনা সভাগী মীফম য়ৈথোকখ্রে।

--- পাউ লোইজরে---